# জর্নেলিষ্ট দেনিএল পর্ল মীহাত্তা কনভিক্ট তৌখ্রবা ইস্লামিষ্ট অমা পাকিষ্টানগী সুপ্রিম কোর্টনা থাদোক্লবা খঙহনখ্রে

করাচি, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী) :

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী জর্নেলিষ্ট দেনিএল পর্ল মঙক কল্লগা হাৎখিবগী মরালদা কনভিক্ট তৌখ্রবা ইস্লামিষ্ট অমা জেলদগী থাদোক্লবা শগোলশেন নুমিত্তা পাকিষ্টানগী সুপ্রিম কোর্টনা ওর্দর তৌখ্রে।

কোর্টকী ৱারেপ অদুনা লৈখিদ্রবা জর্নেলিষ্ট অসিগী ইমুংগী মীওইশিং থম্মোয় শোকহল্লে হায়না উকিলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। কুমজা ২০০২ দা ৱাল ষ্ট্রিট জর্নেলগী রিপোর্টর পর্ল ফারগা হাৎখিবগী থৌদোক্তা মরু ওইবা সস্পেক্ট ওইরিবা অহম্মদ ওমার সয়ীদ শৈইখ জজ অহুমগী পেনেল অমনা মরাল লৈতে হায়না লাউথোকখিবনি। জজ অহুমদুগী মনুংদা জজ অনীনা মীহাৎ অদুগী একুয়জ খুদিংমকপু এক্কিট তৌবগা লোয়নননা মখোয়বু থাদোক্লবা ওর্দর তৌখি হায়না সিন্দ প্রোভিন্সকী এদভোকেট জেনরেল সালমান টালিবুদ্দিননা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।



মশাগী চহী ৩৮ শুরবা জর্নেলিষ্ট পর্ল কুমজা ২০০১ গী সেপ্তেম্বর ১১ দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা অল কাইদানা এটেক চত্থখিবা মতুং করাচিদা ওপরেট তৌরিবা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংগী মরমদা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরিঙৈ কিদনেপ তৌখিবনি। পর্ল ফাখিবা মতুং চয়োল খরা লৈরগা মহাকপু মঙক কক্তুনা হাৎপগী ভিদিও অমা থাদোরকখিবদা মদুনা মালেম পুম্বগী পাউচেশিংগী হেদলাইন ওইনখি।

শৈইখ অমসুং অতৈ একুয়জশিং অতোপ্পা কেসনা মরম ওইদুনা ফাজিনবগী ফীভম লৈত্রবদি খুদক্তা থাদোক্কদবনি হায়না কোর্ট পেনেল অদুগী মকোক জষ্টিস মুসির অলামনা কোর্টকী অতেনবা ওর্দর অমদা হায়খি।

বৃটিশ মচা অমা ওইনা হৌরকখিবা শৈইখতা পীখিবা শিবগী চৈরাক হৌখিবা চহীদা হাই কোর্ট অমনা কোমথোক্তুনা পুন্সি চুপ্পগী ফাদোক্তা ওন্থোকখিবনি অমসুং মহাক্না লোয়নননা মরাল শীখিবা অতৈ মীওই অহুম্বুনা ইভিদেন্স মতিক চাদে হায়দুনা এক্কিট তৌখিবনি।

সিন্দ গভর্ণমেন্ট অমসুং পর্লগী মমা-মপানা হায় কোর্টকী ৱারেপ অদুবু চেলেঞ্জ তৌখি অমসুং শিবগী চৈরাক হঞ্জিনহন্নবা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎখি। সুপ্রিম কোর্টনা গভর্ণমেন্ট অমসুং ইমুংগী প্লি অনীমক শগোলশেন নুমিত্তা রিজেক্ট তৌখি।

জেলদা থম্নবা হোৎনবশিং মায় পাক্তবা তারবদি মহাকপু ৱায়েল চত্থনবগী থৌরাং লৌখৎলকপা য়াই হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মমাঙদা ফোঙদোকখ্রবনি। পর্লগী ইমুং থম্মোয় কায়রে। কোর্টকী ৱারেপ অদুনা জষ্টিস হায়বসি মশক থিহল্লে হায়না ইমুং অসিগী উকিল ফাইসল সিদ্দিকিনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

# ভেক্সিন কোন্নদবদগী মাদ্রিদ রিজনগী কোভিদ ভেক্সিনেসন লেপখ্রে

মাদ্রিদ, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী) :

ভেক্সিন দোজ মশীং কোন্নদবনা মরম ওইদুনা স্পেনগী কেপিটেল মাদ্রিদতা চত্থরম্বা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন দ্রাইভ চয়োল অনী লেপহনখ্রে।



য়ুমশকৈশা নুমিত্তা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা মীওই মিল্লিয়ন ৬ কী মথক্তা লৈরিবা মাদ্রিদ রিজনগী দেপ্যুটি লিদর ইগনাসিও অগুৱাদোনা হায়খি, হেল্থ ওথোরিটিশিংনা হৌজিক লেমহৌরিবা বাইওএনটেক ফাইজরগী দোজশিং অদু অহানবা ইঞ্জেক্সন পীখ্রবা মীওইশিংদা অনীশুবা ইঞ্জেক্সন পীবদা শীজিন্নগনি।

হান্না চীংনবা লৈখিবগুম ভেক্সিন দেলিভরিগী থবক্তা অয়েৎ অপন লৈখি। লমদম অসিগী অহানবা দোজ কাপখ্রবা মীওইশিং য়াম্না মথৌ তারিবা অনীশুবা দোজ কাপ্পগনি। করিগুম্বা ঐখোয়না মদু তৌদবা তারবদি ভাইরস ম্যুটেসন তৌরক্তুনা হীদাক লাংথকশিং খাঙবা ঙম্বগী চাং ৱাংলক্কনি অমসুং মদুনা পেন্দমিক অসি থেংনবা মতমদা হেন্না শাংনা চঙহল্লগনি হায়না অগুৱাদোনা ফোঙদোকখি।

মাদ্রিদ রিজনগী হেল্থকী ওথোরিটি ওইরিবা এনরিক রুই এস্কুদেরোনা হেল্থ ৱার্করশিংগী ভেক্সিনেসন লেপ্পে হায়বসি হৌখিবা চয়োলদা কনফার্ম তৌখিবনি।

হৌজিক ফাওবদা ভেক্সিন দোজ ১,৩৫৬,৪৬১ কাপখ্রে হায়না স্পেনিস হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখি। মার্চ ফাওবগী মনুংদা মীওই মিল্লিয়ন ২.৯ অমসুং জুন ফাওবগী মনুংদা মীওই মিল্লিয়ন ২০ লোম ভেক্সিন কাপ্পগী পান্দম থল্লি হায়না গভর্ণমেন্টনা মমাংদা ফোঙদোকখ্রবনি।

কোরোনা ভাইরসনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহনবা য়ুরোপকী লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা স্পেনদা হৌজিক য়াওবদা কনফার্ম তৌরবা কোরোনা ভাইরস কেস ২,৬৭০,১০২ অমসুং ভাইরস অসিনা শিহনখিবা মীশিং ৫৭,২৯১ রেজিষ্টর তৌখ্রে।

# মরী হঞ্জিন্নহল্লগনি হায়বা য়ু এসকী ৱাফম পলেষ্টাইননা তরাম্না ওক্লি

রামালাহ, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী) :

প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা লুচিংবা য়ু এসকী অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেসননা পলেষ্টাইনগা মরী হঞ্জিহল্লগনি হায়না লাউথোরকখিবা ৱাফম সিনিয়র পালেষ্টিনিয়ন ওফিসল অমনা তরাম্না ওকখ্রে।



পালেষ্টিনিয়ন প্রসিদেন্ট মহমৌদ অবাসকী ফাটাহ পার্টিগী সেন্ত্রেল কম্মিটিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি জেনরেল সাবরি সিদমনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা রামালাহদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা পালেষ্টিনিয়নশিংনা বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসনগা মরী হঞ্জিল্লকপসু খৌরাংনা ঙাইরি।

য়ু এসকা মরী হঞ্জিন্নবা হায়বসি ইন্টরনেস্নেল লো ইমপ্লিমেন্ট তৌবা অমসুং পলেষ্টিনিয়নশিংগী প্রোব্লেম লৈখাই তাথোক্লবগী য়ু এন রিজেল্যুসনশিংদা য়ুম্ফম ওইগনি হায়না সিদমনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৭ তা য়ু এসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা জেরুসালেমবু ইজরেলগী কেপিটেল ওইনা শকখঙবগা লোয়নননা ৱেষ্ট বেঙ্কতা ইজরেলি সেটলমেন্টকী থবকশিং পুক্নিং থৌগৎপদগী পলেষ্টাইন অমসুং হান্নগী য়ু এস গভর্ণমেন্টকী মরী শোকচিনখি।

ত্রম্পকী থৌরাংদা অমুক হল্লকপা হায়বসি পালেষ্টিনিয়নশিংগী অপাম্বগী মায়োক্তনি। পালেষ্টিনিয়নশিংনা মীচং মীখাই নাইদবা য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসন অমগা দিলিং তৌনবা পাম্মী অমসুং মদুগীদমক্তা পাউ ফাওননবা শেম শাদুনা লৈ।

বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসননা পালিষ্টিনিয়নশিংগা মরী লৈনবা ত্রম্পকী পোলিসি খুদিংমক মুথৎপা পাম্মী হায়না য়ু এনদা থাবা য়ু এসকী অনৌবা এম্বেসেদর রিচার্দ মিলসনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা ফোঙদোকখিবনি।

এম্বেসেদর অসিনা মখা তারদুনা এদমিনিষ্ট্রেসন অসিনা পালেষ্টিনিয়নশিংদা মতেং পাংবগা লোয়নননা ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা থিংজিল্লম্বা দিপ্লোমেটিক মিসনশিং অমুক হন্না হাংদোক্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# সুগা অমসুং বাইদেন ফোনদা ৱারী শান্নখ্রে

টোকিয়ো, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী) :

জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর য়োমিহিদে সুগানা শগোশেন নুমিত্তা য়ু এসকী অনৌবা প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগা ফোনদা ৱারী শানখ্রে। মদু অমেরিকান লিদর অসিনা থা অসিগী ২০ দা ওফিস পায়বা হৌখিবা মতুং অহানবা ওইনা ৱারী শান্নবনি।

মিনিট ৩০ রোম ৱারী শানখিবদুদা লুচিংবা অনীনা জপান-য়ু এস এলাইএন্সকী মরু ওইবদু নৌহৌননা নীংশিংনখি অমসুং নোর্থ কোরিয়া, কোভিদ-১৯ রেসপোন্স অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদা খন্নখি হায়না জপানিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি। ৱারী শানবা অদুদা বাইদেননা ফোঙদোকখিবা কার্বোন ইমিসন কন্ট্রোল তৌনবগী কুমজা ২০১৫ গী পেরিস এগ্রিমেন্টদা অমুক হল্লক্লগনি অমসুং ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনদগী ৱিথড্রো তৌরোই হায়বা ৱাফম সুগানা তরাম্না ওকখি।

এপ্রিল ২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্লাইমেট চেঞ্জগী সম্মিটতা শরুক য়ানবা বাইদেননা প্রাইম মিনিষ্টরদা ইনভাইট তৌরক্লে হায়বা ৱাফম মিনিষ্ট্রি অসিনা কনফার্ম তৌখি।

# দোভাল অমসুং য়ু এসকী এন এস এনা মখা তানা কোওপরেসন পীনবগী ৱাফম খন্নখ্রে



ন্যু য়োর্ক, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়াগী নেস্নেল সিক্যুরিটি এদভাইজর (এন এস এ) অজিট দোভাল অমসুং অমেরিকাগী মহাক্কী লেংমান্নবা জেক সুল্লিবাননা ইন্দো-পেসিফিক রিজনদা মখা তানা নকশিন্নবা কোওপরেসন পীনবা অমসুং রিজনেল সিক্যুরিটি প্রমোট তৌবগী ৱাফম খন্নখ্রে হায়না হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোরক্লি।

দিমোক্রেসিগী ওইবা মান্নবা ৱাখল্লোনশিংদা য়ুম্ফম ওইবা য়ু এস ইন্দিয়া ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরসিপ হেন্না চেৎশিনহনবা হায়বসি প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগী মরু ওইবা পান্দম অমনি হায়বসি য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোনদা ৱারী শান্নবদা সুলিবাননা চেৎনা থমখ্রে হায়না হ্বাইট হাউসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না, কোভিদ-১৯ অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ য়াওনা গ্লোবেল চেলেঞ্জশিং থেংনবদা মতেং হেন্না পাংনবগী ৱাফম ৱারী শান্নবদুদা খন্নখি।

মখোয়না ৱারী শান্নবদা ক্লাইমেট চেঞ্জ য়াওরিবা অসিনা ক্লাইমেট চেঞ্জ অসি বাইদেননা ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংসু চেন্নগদবা নেস্নেল সিক্যুরিটিগী ৱাফম অমগী থাক্তা পুখৎলে হায়বসি উৎলি।

ক্লাইমেটকা মরী লৈনবা বাইদেনগী স্পেসল এনভোই জোন কেরিনা ফোঙদোকখিবদা, ক্লাইমেট চেঞ্জগা মরী লৈননা প্রসিদেন্টনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ইশ্যু তৌখিবা এগজিক্যুটিভ ওর্দরগী মখাদা ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংনা ক্লাইমেট চেঞ্জনা থোকহনগদবা খুদোংথিবশিং চপ চানা খঙদোক্লগনি। হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা চাইনা থেংনবগী মতাংদা ইন্দিয়াগী ষ্ট্রেটেজিক ইমপোর্টেন্স হেনগৎহনখিবগা লোয়নননা য়ু এস মিলিটরিগী পেসিফিক কম্মান্দবু ইন্দো-পেসিফিক কম্মান্দ হায়না ইনৌ নৌনা দেজিগনেট তৌখি। অসুম্না মমিং থোল্লিবা অসিমক ষ্ট্রেটেজিক দিসকসনদা মরু ওইবা মচাক অমা ওইরগনি।

বাইদেননা থাজবা এইদ অমা ওইরিবা সুলিবান মহাক্না ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা মহাক্কী এন এস এ ওইহনখি অমসুং প্রসিদেন্ট খল্লবা মতুংদা মান্নবা কেপাসিটিদা হ্বাইট হাউসতা অমুক পুশিনখি।

# জর্মনিদা ভেক্সিন কোন্নদবগী ফীভম এপ্রিল ফাওবা লৈগনিঃ হেল্থ মিনিষ্টর



*বর্লিন, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী) :*

*জর্মনিদা কোরোনা ভেক্সিন মতিক চানা ফঙদবগী ফীভম অসি এপ্রিল ফাওবা লৈবা য়াই হায়না লৈবাক অসিগী হেল্থ মিনিষ্টরনা শগোলশেন নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।*

*জর্মনিদা পায়খৎলিবা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামগী খোঙজেলগী মতাংদা গভর্ণমেন্টবু চৈনবা লৈরিঙৈদা হেল্থ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। ভেক্সিন কোন্নদবগী ফীভম অসি য়ামদ্রবদা চয়োল ১০ ফাওবা লৈখিগনি হায়না পল্লদুনা হেল্থ মিনিষ্টর জেন্স স্পাহননা ত্বিটর অমদা হায়খি, ভেক্সিনেসনগী মতাংদা খন্ননবা মহাক্না ফেদরেল অমসুং রিজনেল লিদরশিংগী সম্মিট অমা কৌবা পাম্মী। ভেক্সিন মরাং কায়না লৈবগা মরী লৈনবা প্রোব্লেমশিং অরানবা থৌওংগী মমি য়াওবা ৱাথোক অমা ওইরে হায়না জর্মনিগী মমীং চৎলবা পাউ চে ব্লাইন্দনা শগোলশেন নুমিত্তা ফোঙদোকখি।*

*স্পাহননা হায়খি মদুদি য়ুরোপনা ভেক্সিনগী ফংফম থোকপা স্যের ফঙনবা মহাক্না ভেক্সিনগী মেন্যুফেকচরশিং অমসুং ফার্মস্যুটিকেল কম্পানিশিংগী মীফম অমা কৌদুনা খন্নহনবা পাম্মী। ভেক্সিন শাবা হায়বসি অৰুম্বা থবক ওইবগা লোয়নননা মখা তানা লেপ্তুনা মরাং কায়না শানবা হোৎনবা হায়বসিসু ক্বালিটি ষ্টেন্দর্দ লৈহনগদবা ওইরবদি অরাইবা নত্তে হায়না মহাক্না মখা তাখি।*

*য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা সিটিজনশিং ভেক্সিনেসন তৌখিবা মতুং থা অমখক লৈরগা অষ্ট্রাজেনেকা অমসুং ফাইজরনা ভেক্সিন পীবা খঙলেপ লেপখিবদগী টেন্সন ৱাংনরক্লিঙৈ মরক্তা য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন এক্সপোর্টশিংগী রেজিষ্টর অমা লৈহন্নবা হৌদোরকখিবা ৱাফম স্পাহননা শৌখৎখি। জর্মনিদা শগোলশেন নুমিত্তা অনৌবা কোরোনা ভাইরস কেস ১৭,৫৫৩ দিটেক্ট তৌখিবগা লোয়নননা লৈবাক অসিগী অপূনবা কেস ২,১৭৮,৮২৮ য়ৌখি অমসুং নুমিৎ অসিদা মীওই ৯৪১ শিখি।*

# কুমজা ২০২০ দা অফঘান মীচম ৮,৫০০ হেন্না শিখিঃ রাইটস গ্রুপ

কাবুল, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী) :

হৌখিবা চহীদা অফঘানিষ্টানগী লাল অমসুং হাৎন শুনবগী ঈরাংদা মীচম ৭,৫০০ গী মথক্তা শিখি হায়বসি অফঘান ইন্টিপেন্দেন্ট হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এ আই ঐচ আর সী) গী খ্বাইদগী নৌবা রিপোর্টনা উৎখ্রে।

এ আই ঐচ আর সীগী রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না, অফঘানিষ্টানগী মীচম শিবগী চাং কুমজা ২০১৯ গা য়েংনবদা কুমজা ২০২০ দা চাদা ২১ হন্থখি। টালিবানগী হেক মথংদা মশক খঙদবা খুৎলাই পায়বা গ্রুপশিংনা মীচমশিং শিহনখিবগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা মরম ওইরি।

রিপোর্ট অদুনা হায়, টালিবাননা মতম অসিদা মীচম ৮,৫৬৮ শিহনখি নত্রগা শোকহনখি। মশক খঙদবা গ্রুপশিং অদুনা মীচম ২,১০৭ শিহনখি নত্রগা শোকহনখি। হায়রিবা মতম অসিদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা শিহনখিবা অমসুং শোকহনখিবা মশীংনা ১,১৮৮ ওইখি।

মীচমশিংনা মীশি মীনা নংবগী চাং হৌজিকসু য়াম্না ৱাংলি। অফঘানিষ্টানদা শাথিবা মীশি মীনা অমদি অমাং অতাগী থৌদোক থোক্লি হায়না এ আই ঐচ আর সীগী দেপ্যুটি হেদ নায়ীম নজারিনা ফোঙদোকখি। ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন টারিক অরিয়ননা ফোঙদোকখিবদা, টালিবাননা হৌখিবা মতম খরা অসিদা অচৌবা ক্রাইম খরা চত্থখ্রে। গ্রুপ অসিনা অফঘান মীচম লীশিং কয়া মপুন্সি লোমহনখ্রে।

কুমজা ২০১৮ অমসুং কুমজং ২০১৯ দা থোকখিবা সুইসাইদ এটেক অমসুং কার বোম্বিংগী থৌদোকশিংদা মীচম অয়াম্বা শিখি অমসুং শোকখি। অদুমওইনমক কুমজা ২০২০ দা অতম্না হাৎপা অমসুং মেগনেটিক মাইন এটেকশিংনা মীচম অয়াম্বা শিহনখি। তৌইগুম্বসুং এটেকশিং অসি গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌখিদে।

# পুন্সি চুপ্পগী ফাদোক পীখ্রে

ফ্রেঙ্কফর্ট, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী) :

চহী অনীগী মমাংদা প্রো-ইম্মিগ্রেসন পোলিটিসিন অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগীদমক শগোলশেন নুমিত্তা জর্মনিগী কোর্ট অমনা ফার-রাইট সিম্পেথাইজর অমা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে। কেস অদুনা মরম ওইদুনা জর্মনিনা রাইট-ৱিং রেদিকেলিজম লাকশিন্নবা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিংগী মতাংদা ৱাহং কয়া লাকখি। চান্সলর এঞ্জেলা মর্কেলগী কঞ্জার্ভেটিভ মেম্বর অমা ওইরিবা ৱাল্টর লুবেকে কুমজা ২০১৯ গী জুনদা নোংচুপ থংবা ষ্টেট হেসেদা লৈবা মহাক্কী য়ুমগী মপানদা ঈখেঙ মরক্তা শিরম্বা থেংনখিবনি।

# সাউথ কোরিয়ানা য়ু এসকা কম্বাইন্দ দ্রিল পাঙথোক্লগনি

সিওল, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী) :

হান্না থৌরাং তৌখিবগুম সাউথ কোরিয়ানা চহীগী য়েনিংথাগী মতমদা পাঙথোক্তুনা লাকপা কম্বাইন্দ মিলিটরি দ্রিল য়ু এস ফোর্সকা লোয়নননা পাঙথোক্লগনি হায়না সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর সুহ ৱুকনা ফোঙদোকখ্রে।

চহী অসিগী অহানবা তঙ্খাই মনুংদা আউটদোর দ্রিল য়াওদবা কম্প্যুটর-সিম্যুলেটেদ কম্মান্দ, পোষ্ট এক্সরসাইজ (সী পি এক্স) অমা ওইনা কম্বাইন এক্সরসাইজ পাঙথোক্লগনি। মসি রেগ্যুলর প্রোগ্রাম অমনি অমসুং দিফেন্সকী হীরমগা মরী লৈনৈ হায়না সুহনা সিওলদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯ গী ফীভম অমসুং অতৈ মরী লৈনবা ফেক্টরশিং য়েংদুনা করম্না কম্বাইন্দ দ্রিল পাঙথোক্কদগে হায়বদু য়ু এসকা খন্নরি। লৈবাক অনীনা মহৌশাগুম চহী অমদা মরু ওইবা কম্বাইন মিলিটরি দ্রিল অনী পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

অচৌবা মিলিটরি দ্রিল অনী অসি নত্তবা খরা পীকপা স্কেলগী দ্রিলশিং অদু লৈবাক অনীনা চহী চুপ্পা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। স্প্রিং মিসনগী দ্রিল অসি মহৌশানা মার্চ ময়া নত্রগা থা অসিদা পাঙথোক্কদবনি।

নোর্থ কোরিয়াগী মতাংদা দিপ্লোমেটিক থৌরাংশিংদা মতেং পাংবা ওইনা সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ু এসনা কুমজা ২০১৮ দগী জে ইন্ট দ্রিলশিং কেন্সেল তৌখি নত্রগা চাওবগী চাং হন্থহনখি।

হৌখিবা চহীদা কোরোনা ভাইরস পেন্দমিক্না মরম ওইদুনা য়েনিংথাগী প্রোগ্রাম মতম কক্তুনা য়ৈথোকখি অমসুং কালেনগী এক্সরসাইজ অদুনা ওগষ্টতা খরা পিক্না পাঙথোকখি।

# চাইনাগী প্রেসর মায়োক্তা য়ু এস অমদি সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংনা পুন্না লেপ্লিঃ ব্লিঙ্কন

ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী) :

ইন্টরনেস্নেল লোনা হায়রিবা চাংগী ৱাংমদা চাইনানা সাউথ চাইনা সিদা মফম কয়া পাক শন্না ক্লেম তৌরিবসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা য়াদে অমসুং লৈবাক অসিনা চাইনাগী প্রেসর থিংবদা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংগা খোঙফম অমদা লেপ্লি হায়না য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিঙ্কননা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, ব্লিঙ্কননা ৱাফম অসি ফিলিপিন্সকী ফোরেন মিনিষ্টর টিওদোরো লোকসিনগা ফোনদা ৱারী শানবদা ফোঙদোকখিবনি। মীচংশিংগী মরক্তা মতম শাংনা লৈরক্লবা দিফেন্স এগ্রিমেন্ট য়াম্না মরু ওই হায়না পল্লদুনা করিগুম্বা সাউথ চাইনা সিদা মনিলাদা এটেক চত্থরকপা লৈরবদি এগ্রিমেন্ট অসিগী মতুং ইন্না ৱাশিংটননা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎকনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। পি আর সীনা প্রেসর পীরকপদা য়ু এসনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংগীদমক্তা লেপকনি হায়না চেৎনা থাজবা পীখ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনাগী মতাংদা পল্লদুনা হায়খি।

সাউথ চাইনা সি য়াওনা পেসিফিকতা ফিলিপিন্সকী আর্মদ ফোর্সেস, পব্লিক ভেসেলশিং নৎত্রগা এয়রক্রাফটতা এটেক তৌরকপা মতমদা লৈবাক অনীমক্কী সিক্যুরিটিদা য়াম্না মরু ওইরিবা ম্যুচ্যুএল দিফেন্স ত্রিটিগী মতুং ইন্না খুদক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং লৌখৎকনি হায়না সিক্রেটরি ব্লিঙ্কননা ফিলিপিন্সকী ফোরেন মিনিষ্টরদা ফোঙদোকখি।

চাইনিজ কোষ্ট গার্দনা ফোরেন ভেসেলশিংদা নোংমৈ কাপ্পা য়াহনবা লো অমা চাইনানা পাস তৌখিবগী মতাংদা ফিলিপিন্সনা দিপ্লোমেটিক চেন্নেলদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে হায়না লোকসিননা ফোঙদোকখিবা মতুংদা ব্লিঙ্কননা থাজবা অসি পীখিবনি। লোকসিননা চাইনাগী লো অদুবু লাল তৌগনি হায়না কিহনবগী থৌওংনি হায়না ফোঙদোকখি।

চাইনানা ইরাই নুমিত্তা পাস তৌখিবা লেজিস্লেসন অদুনা লৈবাক অসিগী কোষ্ট গার্দতা চাইনানা ক্লেম তৌরিবা ৱাফমশিংদা রিফশিংদা অতৈ লৈবাকশিংনা শাজিল্লিবা ষ্ট্রক্টচরশিং থুগাইবা য়াওনা ফোরেন ভেসেলশিংনা কিহল্লকপশিং থিংনবা নত্রগা লেপহনবদা অরৈবা পাম্বৈ নত্রগা ফোর্স শীজিন্নবগী অয়াবা পীখি। মরু ওইবা লল্লোন ইতিক্কী লম্বী অমসু ওইরিবা ইনর্জি মরাং কায়না ফঙলিবা সাউথ চাইনা সি অপুম্বা চাইনানা ক্লেম তৌরি হায়বা য়াই।

পেন্সন ফন্দ রেগ্যুলেটরি এন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিটি

বি-১৪/এ, ছাত্রপাটি শিবাজি ভবন, কুটব ইন্সটিট্যুস্নেল এরিয়া

কাটৱারিয়া সারাই, ন্যু দেল্লি - ১১০০১৬

ভেকেন্সি নোটিস

দাইরেক্ট রিক্রুইটমেন্ট নত্রগা কন্ট্রেক্ট নত্রগা দেপ্যুটেসন বেসিসতা এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর লৌরগনি

দাইরেক্ট রিক্রুইটমেন্ট নত্রগা কন্ট্রেক্ট নত্রগা দেপ্যুটেসন বেসিসতা পি ঐফ আর দি এগী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টরগী ফম অমা (১) লৌনবগীদমক এপ্লিকেসনশিং কৌজরি। ক্বালিফিকেসন অমসুং এক্সপিরিএন্সকুম্বা ইলিজিবিলিটি ক্রাইটিরিয়া, পে স্কেল, খনবগী মওং অমসুং এপ্লিকেসন ফোর্ম অসিনচিংবগী অকুপ্পশিং পি এফ আর দি এগী ৱেবসাইট www.pfrda.org.in কী 'করিয়র্স' সেক্সনদা অমসুং নেস্নেল করিয়র সর্ভিসকী ৱেবসাইট www.ncs.gov.in দা ফঙগনি।

২. ভেকেন্সি নোটিস অসিগা মরী লৈননা অশোয়বা চুমথোক্কদবা/হাপচিনগদবা/খঙহনগদবা লৈরবদি পি এফ আর দি এগী ৱেবসাইটখক্তদা খঙহল্লক্কনি।

৩. এপ্লিকেসনশিং লৌশিনবগী অরোইবা তারিখ ফেব্রুৱারী ২৬, ২০২১ (ইরাই) নি।

এস দি/-

জেনরেল মেনেজর

(এদমিন এন্দ ঐচ আর)

davp 15102/11/0020/2021

**MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY SECRETARIAT**

***

**/ PRESS COMMUNIQUE**

**Imphal, the 28th January, 2021**

**" The Manipur Liquor Prohibition (Second Amendment) Bill, 2018 "**

The Select Committee on The Manipur Liquor Prohibition (Second Amendment) Bill, 2018 under the Chairmanship of Shri Yumnam Joykumar Singh, Hon'ble Deputy Chief Minister, Manipur is at present examining the Bill which proposes to enable manufacture of local alcoholic liquor strictly for sale outside the state.

2. Considering the importance and the significant implications on the subject matter, the Committee has invited/solicited views/suggestions from Individuals/ Stakeholders/Experts/Institutions/Organisations/CSOs etc. interested in the subject. The Bill can been viewed at **"manipur.neva.gov.in "**.

3. All those desirous of submitting their views/suggestions to the Committee may send their written Memoranda either in English or Manipuri to the Joint Secretary (Legn.), Manipur Legislative Assembly Secretariat, Imphal. The time for submission of memoranda has been extended till 4:00 P.M of Thursday, 25th February, 2021.

4. The memoranda submitted to the Committee would form part of the records of the Committee and would be treated as confidential.

Sd/- **Rohit Sapam**
Joint Secretary (Legn.),
Manipur Legislative Assembly Secretariat.

HL-B/6741/29,30

**Apollo Tutorial Centre**

Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office

**ADMISSION OPEN**

**Foundation Course For:**
Class - XII Sc. (COHSEM & CBSE)-2021-22
(Physics, Chemistry, Maths & Biology)

Class Starts: 8th March, 2021
Time: 5 - 8 a.m.

**Condense Course for:**
XII Arts HSE - 2021 (COHSEM)
(Gen.English, Pol.Sc., H.Sc., Edn., History, Manipur(MM), Economics)

Class Starts: 1st Feb. , 2021
Time: 2 - 5:45 p.m.

Under the Guidance of Experience Teachers

For details Pliz. Contact:- APOLLO Office, Kwakeithel (7:00 a.m. to 5:00 p.m.)

HL-B/6524/23-29/1,1-3/2